# ওইজবা থীবখক্লা অচুম্বা লম্বী ওইরোই... 'থৱাইগী মনি'



'লমদমসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা হুরান চিন্থি, মীহাৎ-মীপুন পুম্নমকসি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক পুলিস ফোর্স লিংলিবনি। কন্ট্রোল তৌগদবা পুলিস ফোর্সনা অসিগুম্বা হুরান-চিন্থিগী থবক অসিদা য়াওশিল্লকপা তারবদি করম্বা মওংদনো ঐখোয়বু প্রজাশিংনা থাজবা থমগদৌরিবসে। সংবিধান্না ঐখোয়দা আইন ঙাক্লবগীদমক পীরিবা খুৎলাই, শেৎলিবা য়ুনিফোর্ম পুম্নমকশিংসে ইশানা ইশাবু ঙাকচদবা তারবদি পুলিসকী মোরেলসে নোংম-নোংমগী লৈখা তারকপা তাবনি। কর্গিল ৱারদা থৱাইনা পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা শিফাইশিং অদুগীদমক লমদম অসিগী প্রজাশিংনা ফাওবা থম্মোই শোক্লা তেংথানখিবনি। অদুগা ঐখোয়গী পুলিস ফোর্স শিবদনা লমদমসিগী প্রজাশিংগী থম্মোইদা অৱাবা চৈনা ফংদ্রিবসি করিগীনো? মসি পুম্নমকসি ঐখোয়গী পুলিস ফোর্সপু প্রজাশিংনা থাজবা মাঙখিবদগী নত্রা। অদুনা ঐখোয় মতাং চানা খুৎলাই শিজিন্নবা তাই। লম্বীদা চেক তৌবা মতমদা পৈশা খরগীদমক মী অমগী পুন্সিবু মমল লৈতনা খনে দাকপা, ফংলিবা খরা অদুনা পুন্সি চুপ্পা নুংঙাইবা য়াবসু নত্তে। শিরিবা ইমুং অদুগী মীওইদুদি থৱাই কয়াগী চঙজফম ওইরি হায়বসে নখোয়না খক কাউরোইদবনি। দিসিপ্লিন অমনা বাওন্দ তৌদুনা ইশা-ইশাগী ইথৌসে চপ চানা পাঙথোক্লবা তারবদি নোংমদি পুলিসকী মাঙখ্রবা মোরেলসি শোয়দনা হল্লকনি হায়বসি খক কাউগনু।' কনানা হায়রিবা? গোল্ড ব্রাইট প্রদক্সনদা তম্ফাসনানা প্রজেন্ট তৌবা 'থৱাইগী মনি' না ...

মাঙ্গোলজাও (বি কে), এস পি ইঙোচা (এস পি চিংলেন), অশোক, ঘনশাম, গোকুল (তোম্পোক), ওকেন (বিমোল), সুর্জিৎ (শান্নৌ), সঞ্জয়, সঞ্জিৎ, ইরাবোৎ, সুদান, নিংথেম, রাজেন, গোপেশ্বর, ইনাও, মফি, রামেশ্বর, হেমন্ত, নেহরূ, বাবু, মাষ্টর বিজেন্দ্রা (মনি), সোনিয়া (থোইবী), কমলা (পুণিমা) পুনেশ্বরী (মিরা), শর্মিলা, থোইথোই, রানি অমদি বেবি হেম্বোইনা শত্তম লাংলি বিজগুপ্ত লাইশ্রমনা দিরেক্সন পীবা 'থৱাইগী মনি' ফিল্মসিদা। হায়রিবা ফিল্ম অসিদা চাউরবা থৌদাং লৌরিবা মখোয় অমমম ৱাৎপদা মপুং ফারোইদবশিং অদুদি মালেম মঙাং (লিরিক্স, ষ্টোরি অমদি প্রদ্যুসর), রোবেন (আর্ট দিরেক্সন), তোম্পোক অমদি শান্তিকুমার (ত্রান্সপোর্ট), টি ঐচ রাজেন্দ্রা (প্রদক্সন মেনেজর), মেনাকা (কোরিওগ্রাফর), দিনেস নোংথোংবম (আর্ট কেমেরা), সুর্জিৎ এন (সিনেমাতোগ্রাফি), আর কে জয়চন্দ্র (এসিষ্টেন্ট ইদিটর অমদি দিজাইন্নর), কে বিমোল শর্ম্মা (ইদিটর), নাওবোই অমদি কবিতা (সিঙ্গর), ইবোমচা অমদি জেনি (মেকপ) অমদি বিজগুপ্ত লাইশ্রম (দাইলোগ অমদি স্ক্রিনপ্লে) নি।



## সুর মৈতৈ

মতমগী মতুংইন্না অফ-ফত্তদা অহোংবা কয়া লাকপা হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎশেম্নি। মসিদি কনানসু থিংবা ঙম্লোই অদুবু মীওইবনা শেম্বা ফত্তবা অহোংবদি পুন্না থিমিন্নবা মথৌ তাই। ৱাদনা শেল তান্দুনা নুংঙাইবা পাম্বদগী ঙসি লমদম অসিদা হিংমিন্নরিবা চমজরবা পুন্সি কয়াবু চৈথেং ফংহনবতা নত্তনা ইরমদম অসিবুসু ইকাই-ফিরুক খুমহল্লি। হায়রিবা অরানবা থবকশিং অসিদি মতাং চারিঙৈদা শেমদোকহৌবা চুমগনি হায়বা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা পুথোক্লিবা ফিল্মসিগী ৱারীদি...

'তোম্পোক অমদি থোইবী মচিন মৌপ্পা মমা-মপা নৌনা কাইনখ্রে। তোম্পোক লাইরিক্তা থৱাই য়াওবা মীশক অমনি। য়ুমথংনবদা লৈবা তোম্পোক্কসু মরুপ ওইবদা নত্তনা থোইবীগসু নুংশিনজবা থোইবগী ইমুং মনুংগা মত চান্ননা মতেং ইতেং পাংনদুনা লৈমিন্নখি। হিয়াংথাং বর খুরুম্বা নুমিৎ অমদা খঙহৌদনা উখিবা শক্তম অমবু তোম্পোক্লা ঙাউজখি। হায়রিবা শকফম (পুণিমা) নোংমা কলেজ লাইব্রেরীদা থেংনখি। অঙাং ফাদুনা শেল তানবা কাঙবু খরা পুলিসনা তান্নরকপদগী লাইব্রেরীদা চেনশিল্লক্তুনা পুণিমা অমদি মমান্নবীবু মখুৎ চন্দুনা এস পি চিংলেন্না লুচিংবা পুলিস কাঙবু অদুদা চঙশিল্লক্তনবা হায়খি। মীফত্তশিং অদুদগী নুপী অনীদু তোম্পোক্লা কনখি।

তোম্পোক অমদি পুণিমা মখোয় অনী নুংশি লম্বীদা খোঙদামিন্নরকখি। এস পি চিংলেন্না তোম্পোকপু মনাওদা মনাওগুম লোইনবিখি। অরানবা লম্বীদা শেল তাল্লিবা অদুগী থবক খুদিং এস পি চিংলেন্না মপুং ফাহনদবদগী কাঙবু অদুগী লুচিংবা অমা ওইরিবা বি কে না তোম্পোকপু ফারগা এস পি চিংলেনগী পুন্সিগা মচন থোইবীগী পুন্সিগা কনানা মরু ওইবগে হায়দুনা খুৎলাই ওইনা শিজিন্নদুনা এস পি চিংলেনবু তোম্পোক্লা থাংনা থিন্দুনা হাৎহনখি। অদুগা এস পিগী নুপী মিরাবুসু থাংনা থিল্লন্নগা চেল্লকখি। মচননুপী কননিংলুবনা তঙাইফদনা ময়াম্বা শকপা অমদি মতৈমা শকপীবু থাংনা থিল্লম্বসু মিরাবুদি ডাক্তরশিংনা কনবা ঙমখি, এস পি দি কনবা ঙমখিদে। তোম্পোক মচননুপীগী থৱাইবুসু কনবা ঙমখিদে। এস পি গী অঙাং অদুবু পুরগা মাবু মশক খঙবশিংনা উররোইদবা মফমদা মীরোৎ ওইনা লৈখি।

তোম্পোক্লা অঙাং অদুবু মচাদা মচাগুম নাওকোনখি। অঙাং (মনি) অদুনা চহী ৮ মুক শুরকপা অদুৱাইদা কাগী ভারা মতম চানা পীবা ঙমদবদগী অতোপ্পা মফম অমদা হোংলকখি। হায়রিবা মফম অদুদা লৈখিদ্রবী মচন থোইবীগা শকমান্নবী থাবা কৌবী নুপী অমগা থেংনখি। ইমুং অদুগা ইমুং মনুংগুম য়াম্না নুংশিন্নবা লৈমিন্নখি। থাবাগী থবক অমগী শেল লৈতবদগী ইস্কোল মচেৎ অমা তোম্পোক্তা লৌহৌনবা হায়বদগী তোম্পোক ইম্ফালদা লৈরিবা মহাক্কী লম অদু য়োম্থোক্লগে খন্না মচা মনিবু পুদুনা ইম্ফালদা লাকখি। থোক্লকপদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা পুণিমাগী মফমদা অশেংবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লগে খন্না লাকপদা তোম্পোক পুলিসকী মখুত্তা তাখি। অশেংবা ৱারী পুম্বা খঙনরক্লবদা এস পি গী নুপী মিরানা তোম্পোকপু ঙাকপিখি। তোম্পোক বিমোলগী মতেংনা মীফত্ত কাঙবুগী লুচিংবা অমা ওইরিবা বি কে বু পুলিসতা খুৎশিন্নবা ঙমখি। অদুবু মী হাৎলুবা হায়বদু ওইবনা তোম্পোক জেলদা চঙখি। এস পি গী নুপী মিরানা তোম্পোক্কীদমক মথক থোংবশিংদা হায়নদুনা জেলদগী লৌথোকপীদুনা মহৌশাগুম নুংঙাইবা পুন্সি অমদা ৱারীগী অরোইবা হায়বদু ওইখি।

ফিল্মসিগী তাঙ্কক অনীদা নুংশি-নুংওলগী ওইবা 'তপ্না-তপ্না নুংশিরক্লে, তুমিন-তুমিন্না অসুম... থম্মোই ঐগী ঙাওরে, নঙগী নুংশি ৱাখলদা... পুন্সিদা নঙগা থেংনরুবনা খঙলক্লে অশেংবা নুংশিবা...' অমদি নিংঙদবা 'বিদাইগী নত্তে নঙবু নুংশিরুবা, কাইননবা নত্তে পামজরুবা থম্মোইসিনা... ইখুৎনা চুখৎচবা আশাগী থাওমৈ, মুশি-মুশিনা ঙাল্লম্বা মুৎখ্রে ঙসিদি... নঙদি ঐগী থৱাইগী মনিনি...' হায়না শৈহৌবা ইশৈ অনীশু য়াওরি।

ফিল্মসিনা অমুকসু করি হায়রি? মীয়ামগী থবক তৌগে হায়না থোরক্লবশিংনা ইশাগী থবক্তা লৈবাক্কী থবক্তা কনানা হেন্না লুস্ফম থোকপগে? অঙাং ফারগা রেন্সম তানবসি ৱাখল লৈবা মীনুংশি লৈবা মীওইশিংগী লমচৎলা? সঙ্গনা অচুম্ববু কয়াম কুইনা কন্দুনা থম্বা ঙমগনি মমা লৈবাক্কীদমক থম্মোই শেংনা লালহৌরিবশিংগী মিং শিজিন্নদুনা শেল তাল্লিবসিনা কয়াম কুইনা নুংঙাইবা ঙমগনি। নুংশিবা হায়বসিদি পুম্নমক্তগী অথোইবনি। অচুম্বা লম্বীদা চৎমিন্নসি অফবা থবক্তা লিংজেল মান্নসি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ৱাহংগা লোয়ননা হায়রি ফিল্ম অসিনা।





# নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

## পেস অমসুং বোপানানা কোরিয়াবু দবলসকী মেটচ থোইদুনা ইন্দিয়া দেবিস কপকী ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফ য়ৌখ্রে

*চান্দিগর, জুলাই ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী সহর চান্দিগরদা ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবা দেবিস কপ এসিয়া / ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান দেবিস কপকী ঙসি শান্নখিবা দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং রোহন বোপানানা সাউথ কোরিয়াগী জুরা সিয়োং চান হোং অমসুং হোং চুনবু ষ্ট্রেট সেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাই অদু লৌখিবগা লোয়ননা দেবিস কপকী ৱার্ল্ড গপু প্লে ওফ য়ৌখ্রে।



নীংশিংবা য়াবদি ঙরাং শান্নবা হৌখিবা দেবিস কপ এসিয়া/ ওসিনিয়া টাই অদুগী সিঙ্গলসকী মেটচ অনীমক ইন্দিয়াগী শান্নরোইনা মায় পাক্তুনা মেটচ ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙরাং টিম অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা রামকুমার রামানাথন্না মহাক্কী সাউথ কোরিয়াগী লম্বা সিয়োন চান হোং সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াবু ১-০ দা মাঙজিল থাহনখিবনি।

মেটচ অদুগী মতুংদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী শান্নরোই সকেট মানেনিনা সাউথ কোরিয়াগী য়োং ক্যু লিনবু সেট ৫ শান্নরগা সেট ৩-২ দা থোইরম্বনি।

ঙসি শান্নখিবা দবলসকী মেটচ অদু সাউথ কোরিয়াগী মায়কৈদগী ওইনদি ৱার্ল্ড গ্রুপ্তা য়ৌননবগীদমক মায় পাক্তবা য়াদবা মেটচ অমা ওইখিবনি। মরমদি টিম অদুগী সিঙ্গলসকী শান্নরোই অনী ইন্দিয়ানা মায়থিবা পীদুনা সাউথ কোরিয়া টিম অসি মেটচ ০-২ দা শোত্থদুনা লৈখিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী টিম্না মখোয়গী ঙসি শান্নবা দবলসকী মেটচ অদু তরায়-তরায় লৌখিবা মেটচ অমা ওইখিদে। মরমদি টিম অসিনা ঙরাং শান্নখিবা সিঙ্গলসকী মেটচ অনী মায় পাক্লবসু দবলসকী মেটচ অদু মায়থিরবদি হয়েং রিভর্স সিঙ্গলস মেটচ অনীদা টাই অসিগী মায় পাকপা টিম অদু মশক খঙগদৌরিবনি।

পেস অমসুং বোপানানা সাউথ কোরিয়াগী জুরা অদুবু ষ্ট্রেট সেট ৩ দা ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা এসিয়া / ওসিনিয়া গ্রুপ ৱান দেবিস কপকী মেটচ অদু মায় পাক্তুনা ৱার্ল্ড গ্রুপ প্লে ওফকীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।




## ইন্দিয়াগী বিজেন্দরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরি হোপ মায়থিবা পীদুনা দব্লিয়ু বি ও সুপর মিডল ৱেঠ টাইটল ফংখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী এমেচর বোক্সর অমা ওইরম্বদগী প্রোফেসনেল বোক্সর অমা ওইরবা মতুং মমাঙদা লম্বা তৌনখিবা বাওট ৬ তা ৬ মক মায় পাক্তুনা য়াম্না ফজবা প্রোফেসনেল রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী সুপর মিডল ৱেঠ বোক্সর বিজেন্দর সিংহ বেনিৱালনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবা থিয়াগরাজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর কেরি হোপপু মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু বি ও) এসিয়া পেসিফিক সুপর মিডল ৱেঠ টাইটল অদু লৌখ্রে।



মশাগী চহী ৩০ শুরবা ইন্দিয়াগী বিজেন্দর সিংহনা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেরি হোপকা ঙসি লম্বা তৌনখিবা দব্লিয়ু বি ও এসিয়া পেসিফিক সুপর মিডল ৱেঠকী টাইটল ফাইট অদুগী মাঙওইনা ফোঙদোকখিবদা বাওট অদুগী লৈরিবা রাউন্দ ১০ মক অকনবা লম্বা পীবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

ঙসিগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা থিয়াগরাজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা শান্নরোই কয়া অমদি অতোপ্পা লম কয়াগী মকোক থোংবা মীওই কয়াসু বিজেন্দরবু শৌগৎপা লাকখি।

নুপীগী ৱার্ল্ড বোক্সিং ৫ রক ওইরম্লবী এম সি মেরি কোম, লৈবাক অসিগী কংগ্রেস পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা রাহুল গান্ধি অমদি অতোপ্পা ক্রিকেট শান্নরোই অমদি ফিল্মগী মমিং লৈরবা কয়াসু বাওট অদুবু মীৎয়েং তাবা লাকখি।

রাউন্দ ১০ শান্নগদবা বাওট অদু বোক্সর অনীনা লম্বা মান্ননা থেংনরবসু পোইন্ট ফংবা কিন মশিং বিজেন্দরনা হেনখিবদগী জজ ৩ না মঙোন্দা বাওট অদু ৩-০ দা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। টাইটল ফংখিবা অসিনা মরম ওইরগা দব্লিয়ু বি ও সুপর মিডল ৱেঠকী ১৫ শুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখি।

### প্রেমিয়র ফুটসাল লীগ ২০১৬

## কোচিনা মুম্বাই থোইখ্রে বেঙ্গালুরু অমসুং কোলকতা দ্রো চৎখ্রে

*চেন্নাই, জুলাই ১৬ঃ*

ঙসি ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা প্রেমিয়র ফুটসাল লীগকী অনীশুবা নুমিৎতা কোচিনা মুম্বাইবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে অদুগা অনীশুবা মেটচতা বেঙ্গালুরু অমসুং কোলকতা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

চেন্নাইদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অহানবা মেটচ অদু কোচি অমসুং মুম্বাইনা শান্নখিবনি। মুম্বাইনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অদুবু মেটচ অদুগী মখা তারকপা ক্বার্টরশিংদা কোচিগী মায়কৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া য়াওরকপা মরম্না পাঞ্জল ৩ মরী-মরী চনশিনখিবা অদুনা ইংলেন্দগী শান্নরোই রাইন গিগসনা লুচিংবা মুম্বাইগী টিম অদু স্পেনগী মিচেল সলগাদোনা লুচিংবা কোচিগী টিম অদুনা পাঞ্জল ৪-১ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদ্রবসু মুম্বাইনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি। মরিশুবা ক্বার্টরদা কোচিনা মায় পাকপগী পাঞ্জল ৪ অদু থংন-থংননা চনখিবনি।



অনীশুবা মেটচতা বেঙ্গালুরু অমসুং কোলকতাগী টিম্না লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখি। বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী ইংলেন্দগী শান্নরোই পোল স্কোলসনা কেপ্টেন ওইদুনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা স্কোলসনা পীরকপা পাস অমদা জেনাথন্না পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনিট ৩ দং ঙাইরবা মতমদা কোলকতাগী মায়কৈদগী পুলানা ইক্বেলাজইর অদু চনবা ঙমখি।

পাঞ্জল মান্নরবা মতুং অনীশুবা হাল্ফকী লোইরমদাইদা বেঙ্গালুরুনা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু ৱাল য়াওদবা ফ্রি কিক অমা কাউখিবদা পাঞ্জল চন্দবদগী ১-১ দা দ্রো চৎখি।

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*